# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ খারম লৈশোক

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —



***খারম-লৈশোক*** নৎত্রগা খারম-লৈথোঙ নৎত্রগা খারম লাইথোঙ হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ২০ ফাওবা ৱাংবা ঙাথু-থেংথুদুনা হৌবা লিয়ানস (Lianas) মখলগী উ পাম্বী মচা অমনি। খারম-লৈশোক পাম্বী অসি ইংলিসতা চাইনিজ হেট প্লান্ট (Chinese hat plant) নৎত্রগা কপ এন্দ সাওসর প্লান্ট (Cup and Saucer plant) নৎত্রগা পেরাসোল ফ্লাৱর (Parasol Flower), হিন্দিদা কাপ্নী (Kapni), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা হোমসকিওলদিয়া সেঙ্গুইনিয়া (Holmskioldia sanguinea Retz.) নৎত্রগা হোমসকিওলদিয়া স্কেনদেন্স (H. scandens Sweet) নৎত্রগা হোমসকিওলদিয়া রুব্রা (H. rubra Pers.) নৎত্রগা হসতিনজিয়া স্কেনদেন্স (Hastingia scandens Roxb.) নৎত্রগা হসতিনজিয়া কোকসিনিয়া (H. coccinea Sm.) হায়না কৌই অমসুং ভরবেনেসী (Verbenaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। অতোপ্পা অখং অহৈ খরনদি খারম-লৈশোক পাম্বী অসি লেমিয়েসী (Lamiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি হায়না ইরি। অনৌবা লাইরিকশিং অমদি জর্নেলশিংদসু লেমিয়েসীনি হায়না শীজিন্নরি। পাউদম অমগী মতুং ইন্না খারম-লৈশোক পাম্বী অসি হিমালায়া, বংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদগী হৌরকখিবনি হায়না পীরি। পাম্বী অসি হিমালয়গী অয়াম্বা মফমশিং, নেপাল, ভুটান অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিংদা হৌই।

পাকিস্থান্দসু খারম-লৈশোক পাম্বী অসি হৌবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি খা থংবা এসিয়াগী লমদমশিং, কেলোদোনিয়া, হাৱাই, মেক্সিকো, বেষ্ট ইন্দিজ, ভেনেজুলানচিংবা মফমশিংদা পুদুনা থাখিবদগী ঙসিদি পাম্বী অসি মহৌশাগী মওংদা হৌখ্রে (Naturalized)। খারব লৈশোক পাম্বীগী জিনস (Genus) হোমসকিওলদিয়া অসি Beata Ruris Otia Fungis Danicis হায়রিবা লাইরিক (১৭৯০ অমসুং ১৭৯৯ দা ফোঙখিবা ভোল্যুম ২ গী লাইরিকশিং) অসিবু ফোঙখিবা দেনিসকী (Danish) ফাওরবা বোটানিষ্ট (Botanist) জোন থিওদোর হোমসকিওলদ (John Theodor Holmskiod) (১৭৩১ দগী ১৭৯৩ ফাওবা হিংলম্বা) বু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মাগী মমিং লৌদুনা থোনখিবগী পাউদম লৈ। হৌজিক ফাওবগী ওইনা জিনস অসিগী মনুংদা সেঙ্গুইনিয়া হায়রিবা স্পেসিস অসি নত্তনা অতোপ্পা স্পেসিস অমত্তা লৈত্রি।

খারম লৈশোক হায়রিবা পাম্বী অসি মণিপুরগী চীংগী চীংখোঙ-চীংয়াশিংদা খরা খরা হৌবা থেংনৈ। উমং ৱামংগী মতাইদসু করিগুম্বা কান্দা হৌবা থেংনবিগনি। কনাগুম্বনসু খারম লৈশোক পাম্বী অসি লৈতেংগী ওইনা গার্দেনশিং অমসুং যুমগী অকোয়বদা থানৈ। খারম লৈশোক পাম্বী অসিগী মখোক অমসুং মসাশিং অসি মশুং ৪ নাইরপ তৌই অমসুং পায়বদা নপ-নপ লাওই। পাম্বী অসিগী মনা অসি শিৎ নান্দুনা অশঙবা মচুদা লংখৎলি (Glabrous green) লোইননা হেক য়েংবদা অপীকপা ক্বা মনাগী মওং মাল্লি। পাম্বী অসিগী লৈ অসিগা অতোপ্পা পাম্বীশিংগী লৈশিংগা খেনবসি অতোপ্পা লৈশিংদদি কেলিক্স (Calyx) অদু য়াম্না পীকই অমসুং মচু অদু শংত্রিক-শংঙি অদুবু খারম লৈশোক্কীদি কেলিক্স অদু পুখম অমগুম্না ইকোয় কোয় অমসুং মচু অদু ঙাঙশং ঙাঙই। কনাগুম্বা অমনদি হায়রিবা কেলিক্স অসি অতোপ্পা লৈশিংদা য়াওবা কোরোলা (Corolla) হায়বদি লৈনাশিং অদুনি হায়না শেরান্ননা লৌগল্লি। হায়রিবা অঙাঙবা মচুগী কেলিক্স অসি হেক য়েংবদা জগোই শাবী চাইনিজগী লৈশাবীশিংনা কোক্তা উপ্পা তুপী (Hat) অদু মানবদগী পাম্বী অসিবু য়াম্না পাম্না চাইনিজ হেট প্লান্ট নৎত্রগা মেন্দারিন্স হেট প্লান হায়না কৌনৈ।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুং ইন্না খারম লৈশোক পামবীগী মনা অদু পেট্রোলিয়ম ইথরদা শেম্বা মহী অদুদা Docasane, Tebracosanol, Friedelin, Friedelinol অমসুং 5, 7-dihydroxy-8-methoxy flavone (Wogonin) হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসি য়াওই। ৱোগোনিনা হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি নুপীশিংনা অঙাং পোক্লবা কয়াৎশিং অসি শেমগৎ-শাগৎপা অমদি মপূং মরৈ ফাহন্দুনা মমা অমা ওইবগী তঙাইফদবা ফীভমশিং ওইহল্লিবা হোর্মোনশিংদা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙবা ঙম্মী হায়না পাউদমলি।

খারম লৈশোক পাম্বীগী মনা অসি ঈশিংদা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু খোইহি খরা হাপ্তুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা কোক ঙাওবা, কোক চীকপা অমদি লোক থুংবগী লায়েং পথাপ অসি কুইরবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। খারম লৈশোক্কী লৈ অদু ঈশিংদা ফজনা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদুদা খোইহি খরা হাপ্তুনা নোংমদা গ্লাস অমরোম নুমিৎ ১০-১৫ রোমদং পীথক্লবদি মীওইবগী ঈগী ওইবা মখল মখা কয়াগী লায়নাশিং মরু ওইনা হায় ব্লদ প্রেসর (High BP) অসি ঙাকথোকপা ঙমগনি। মণিপুরদদি খারম লৈথোঙ পাম্বীগী মনা অমসুং লৈ অসি চেঙহী লোনবদা মচল অমা ওইনা হাপ্লে অমসুং মসিনা শম অদু থোৎ নৌহনবা অমদি মপোপ তানা লৈহনবা ঙম্মী হায়না থাজনৈ। হকচাং চীকপা নাবা তৌবদা খারম লৈশোক পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। মীওইবগী হকচাংদা মহী মনায় ময়াম পৈখৎতুনা পোমখৎপা অমদি চীকপা নাবা মতমদা খারম লৈশোক্কী মনা অদু ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা ঈ ৱাৎপগী লায়না (Anemia) নারবদি খারম লৈশোক্কী লৈ অদু শুগাইরগা খোইহিগা তোৎলগা নোংমদা চামচ অমগী চাংদা থা অমগুম্বদং পীজবদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি।

হুইয়েন লানপাউগী তাবুনুংদৈ

— ২২/ ৮/ ১৯৯৬, শগোলশেন

## তেংথারীবা মমা ওইবীশিং হাৎতোক নৈহৎপীরবদা!

— পোফায়াবা মীতৈ —

**মতম** খরগী মমাঙদনি লমদমসিগী পাউচে কয়াদা "ইচাশিং নখোয়বু অমনা অমবু হাৎনবা লেপলো, নমাশিং ঐখোয়বু ৱারেদা' হায়না লমদমসিগী মমা ওইবীশিংনা মচাশিংদা পাউজেলখিবা। মমাগী হায়বা ইনবা মচাশিং ওইরমাল্লে লেপখ্রে, তোয়না তাখিদ্রে অমনা অমবু হাৎনবা। অদুবু ময়াম পোক্লবনিনা মঙক কনবা নৎত্রগা না তাথিবা মচা খরদি অদুমক ময়াওরি। চৈরকসিদনি মপান লমদগী লাকপা অমদি লমদমসিগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা, খূৎলায় পায়বা মীয়াম ঙাক্লবা লৈঙাকপশিংনা থম্বা লাম্মী অমদি পুলিসশিংনা মমা ওইবীশিংবু হাৎতোকপা অমদি ওৎ নৈবা হৌরক্লিবসি। পন্নিংদনা পল্লবদা, অফোংবা খুদম ওইনা নম্বোলদা আর্মিনা, ক্বাকৈথেলদা প্রবাহিনি, অমনা নুমিৎ লৈরিবঁদা, অমনা চীক্লবা অহিংদা হাৎখিবনি, অদুসু পীক্লিবা মচাশিংগী মমাঙদা! মখোয়গী ইনক্বারি তৌরিবঁ লমদমসিগী মপারী মমোমশিংনা মমা কায়নবগী অৱা তেংথারিবঁদা থাংমৈবন্দা মমাগী মথানুংদগী লমদমসিদা নৌনা থোরকপা অহিং চাক্তাবা চুরানথাবা কাঙবু অমনা মচা বিজয়কুমার মুনবিখ্রে, সিনি-মাইনি মফম খঙনদ্রে। অসিনা মরম ওই, মমা ওইবীশিংনা মচা পীয়ু হায়বা খোঙজং কয়াগা লোয়ননা ৱাকৎলিবঁ অঙম্বশিংদা, মপুরোইববুনা নাথৈবীরগা, লালহৌবা থিবগী মিংদা খুদোংচাবা লৌদুনা ঈজৎ মাঙহনবীরে। পূন্নমকশিং অসি 'ক' না হৌবা লমগী মনুংদা লৈরবদি হিংগনি হায়না মীয়াম্না হায়নরিবঁদেনি।

নীংশিংসি; ইন্দিয়া কৌরিবা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা দিমোক্রেসি চৎলি হায়রিবা লৈপাক অসিগী মীয়াম্না লৈপাকসিগী মপানি হায়রিবা মহাত্মা গান্ধীনা, মহাক্না অহিংসাগী পান্থৈ শীজিন্নদুনা ইনিদয়াবু বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতমহন্নবা হোৎনখিবা অদুগা, কা মনুংদা লৈরিবা নুপী ময়াম অসিনা করিসু তৌরদ্রবসু থোক্তমক থোকপীরবদি লাঞ্জং অদু হেন্না খুমাং চাওশিনগদবনি হায়রম্বদো। ঙসিদি মণিপুর কৌবা লমদম অসিগী নুপীশিংনা কা মনুংদগী মপান থোরক্লে, লম্বী সরক য়ৌরক্লে, গান্ধীনা পামজরম্বা অহিংসা লম্বী চঙলক্লে, মমা ওইনা অমদি মচে মচল ওইনা। গান্ধীনা তম্বীরম্বা অহিংসাগী য়ূস্ফমদা লেপ্লগা লৈবাক ঙাক্লিবা লৈঙাকপাশা নখোয় করি তৌগদৌরি? মমা ওইবীশিংনা হায়রি-তাল্লিবা ময়ামসে থুনা পীথোকখো, মুন্না খল্লগা। নৎত্রবদি নখোয় গান্ধীনা পামজরম্বা লৈঙাক মখল অদুগী লৈঙাকপা ওইবা মতিক চাদে হায়রক্কনি মালেম অসিনা খঙখ্রবদি। ইকায়রোইদ্রা নখোয়বু? হিংসা য়াওদনা চঙলিবা, ৱাহৈ খরা লাওরিবা নুপীশিংদা নোংমৈ খরা কাপশিল্লগা, টিয়র গ্যাসনা মমহল্লগা সিফাইনা লিচৈনা ফুহল্লগা, চরা হেল্লিবা খরা ফাজিল্লগা, শেল খরা পীরগা, ৱাহৈনা মোইথেম তৌরগা নখোয়না পাল্লিবদু ফংগনি খল্লবদি অপীকপা ৱাখল ওইগনি। নুপী হায়বসি কনানো মুন্না থিরুখো, লৈঙাক পরা ঔরাইনা তমলুখো অদুগা লমদমসিদা লৈঙাকলরোলাও।

লৈবাকমচাশা হৌজিক হৌজিক লমদমসিগী দিমোক্রেসিগী লৈঙাক চুপলি পায়রিবা লৈঙাকপা, ফম্নাইবা অঙম অথৌশিংগীদিনৈ মখোয় মখোয়না হেক পোকচবী অশেংবা মমাশিংদি অয়াম্বনা হিংলম্নরোই, অদুনা মখোয়দি মমা ওইবিশিংগী তেংথা খোঞ্জেল ৱাহম্বোক থুংনা তাবা হৈররোই। হিংলিবা খরগীনা মনাকোংগী দ্রম অদু মখোয়গী মেন্টরশিংনা ঙমনা থদৎপীরবনি। অদুনা করিমতা তাবা ঙল্লরোই। অদুগা মপারী-মমোম ওইরীবা ওইরিবী ঐখোয় পূন্নমক্না পুল্লগা করিগুম্বা খরদি তৌনবা ৱাখল চুংশিন্নসি নৎত্রগনা লমদমসিগী তেংথারিবা মমাশিংবু হাৎতোক নৈহৎপীরিবসে খঙশিন উশিন্নদনা লৈবা ঙম্ননবা লৈঙাকপশিংদগী পরা তমলুসি হায়বরা? কৈদৌবগে ঐখোয়বো অমদি তৌরসি থিল্লেদা।

# নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী শক্লপ্পা মীয়াম্না খঙবদা কান্নবশিং

— বি প্রেম শর্ম্মা —

**ইন্দিয়াগী** পার্লিয়ামেন্টকী এক্ট অমা ওইনা প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীদুনা কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বর ১০ দা মীয়ামদা খঙনবা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট ২০১৩ পব্লিশ তৌখি। এক্ট অসিগী মরুওইবদি মীওইবদা চিঞ্জাক অমদি ন্যুত্রিশনগী অৱাৎপা লৈহন্দনা ক্বালিটি লৈনা অহোংবা মমলদা ফংহনবনি। প্রাইরওরিটি হাওসহোল্ড অমদি Antyodaya Anna Yojana হায়না কেটাগোরি অনী থোক্না এক্ট অসিগী মখাদা বিনিফিসরি মখল অনী লৈগনি। প্রাইওরিটি হাওসহোল্ডশিংসিনা মীওই অমদা থা অমদা চেঙ কেজি ৫ গী চাংদা অদুগা লায়রবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লায়রবা ওইরিবা Antyodaya Anna Yojana (AAY) গী ইমুংদনা থা অমদা চেঙ কেজি ৩৫ ফংহনবা হায়না এক্ট অসিনা কাঙলুপ অনী থোক্না খাইদোক্লি। খুঙ্গংদনা চাদা ৭৫, সহরদনা চাদা ৫০ গী মীশিংগী চাংদা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহনগনি। স্কিমসিগী মখাদা মীরোনবী নুপীদা অমদি অঙাং পোক্লবা মতুং থা তরুক ফাওবগী মমাশিংদা ন্যুত্রিশনগী চাং ৱাত্তনা লৈনবা অঙ্গলৱাদিগী খুথাংদা অথোংবা চাক লেম্না পীজনবা পান্দম থল্লি। অঙাং উনবগা মরী লৈননা লুপা লিশীং তরুক্তগী তাদনা ফংনবসু পল্লি। অদুবু মসিনা কদায়ফাওবা ওইথোক্কদবনো হায়বদুনা ৱাহংনি। চহী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু মিদ-দে-মিলনচিংবা ছুটি নত্তবা নুমিৎশিংদা শেল তিংদনা পীজনবা অমদি অতৈ কান্নরবা কয়া এক্ট অসিদা য়াওরি। চেঙ গেহুনচিংবা অমদি চাক্লেন্নচিংবশিং পীদ্রবদি ফুদ সেক্যুরিটি এলাৱেন্স হায়দুনা বিনিফিসরিশিংবু মথৌ তাবশিং ফংহনদবগী এলাৱেন্স ষ্টেট লৈঙাক্তা পীহনগনি। মসিনা তাকপদি এক্ট অসিগী মখাদা বিনিফিসরিশিংদা শুংশোয় শোয়দনা চাকথুংশিং য়ৌহনগদবনি অমদি ফংহনগদবনি হায়বসিনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মশক তাক্লবা বিনিফিসরিগী হাওসহোল্ড লিষ্ট অদু মীয়াম খঙনবা উহনগদবনি হায়রি। দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা হোৎনদুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খরদদি মীয়াম খঙনবা ৱেবসাইটতা লিষ্টশিং উবা ফংহল্লি। মসিমদি অচুম্বা খোঙথাংনি। থবক থৌরমশিং ফুল ত্রান্সপরেন্সি রেকোর্দ লৈগদবনি। এন এফ এস এ ২০১৩ গী সেক্সন ১৫ গী সব সেক্সন (১) গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা District Grievance Redressal Officer অমমম হাপকনি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা পেন্দবশিং ওফিসর অসিদা ফুদগ্রেনশিং য়েন্থোক্তবগী, অঙাংশিংদা চাক্লেন পীজদবগী কমপ্লেনশিং ৱাকৎকনি। মসিদা পেল্লক্তবদা ষ্টেট লেভেলদা লৈরিবা ষ্টেট ফুদ কম্মিসনদা মহাক্না তাবা ওর্দরদুগী ৱাকৎকনি। ষ্টেট কম্মিসননা এক্ট অসিগী মরমদা য়েংশিন্দুনা চৎনহন্নবা হোৎনগনি অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা ফাওবা এদভাইস তৌগনি। শু মোটো লৌখৎপা নৎত্রগা কমপ্লেনশিং তাবিদুনা ফংফম থোকপশিং ফহন্দবগী মতাংদা য়েংশিনবীবগী থবক ষ্টেট কম্মিসন অসিনা তৌই। ষ্টেট লেজিসলেচরদা চহীগী রিপোর্ট পুথোক্কনি। ষ্টেট কম্মিসন্নচিংবগী মেম্বর খনবদা রাজনিতিগী খূৎ অমত্তা য়াওদনা, ইন্টিগ্রিটি ৱাংবা মীওই খনবনা লৈবাক্কী ওইনসু অফবা ওই। নৎত্রবদি হান্নগুম হামু-হামু তাদুনা কান্নফম খঙদবসু য়াই। Targetted Public Distribution System (TDPS) কা মরী লৈনবা রেকোর্দশিং ষ্টেট লৈঙাক্না হোৎনদুনা মীয়াম্না খঙবা য়ারবা ফীভমদা ইন্সপেক্সন তৌবা য়ানা থমগদবনি। Fair Price Shop শিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওথোরাইজ তৌবা লোকল বোদি নৎত্রগা অতোপ্পা ওথোরিটিশিংনা চাং নাইনা পেরিওদিকেল্লি সোসিএল ওদিট তৌনবা পল্লি।

অমরোমদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাই হায়না খল্লবদি অসিগুম্বা অসিদা এক্সপরিএন্স লৈরবা ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সি অমনা ওদিট তৌনবা কন্দিশনসু লৈ। মনুং মপান ফাওনা অমদি মরিক চুম্না চৎথবা য়ানবা ষ্টেট লৈঙাক্না পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুশন সিষ্টেম (পি দি এস) (কন্ট্রোল) ওর্দর ২০০১ গী মতুং ইন্না ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিটিশিং শেমগনি। মসি ইসেন্সিএল কম্ম্যুদিটিজ এক্ট ১৯৫৫ কী মখাদনি। ভিজিলেন্স কম্মিটিনা চাং নাইনা য়েংশিন্দুনা স্কিমসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনগনি, District Grievance Redressal Officer দা এক্ট অসিবু ভাইওলেট তৌবদা অমদি লান্না তৌরক্তুনা ফন্দ লান্না শীজিন্নববু পাউ পীগনি। এক্ট অসিগী সেক্সন ৩৩ গী মখাদা পব্লিক সার্ভেন্ট নৎত্রগা ওথোরিটি অদুনা অরানবা তৌবগী মরাল লৈরবদি লুপা লিশীং ৫ ফাওবগী চৈরাক ফংহনবা য়াই।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী মতুং ইন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা এক্ট অসিবু ইফেক্টিভ ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা দিরেক্সন পীবা য়াই। অসুম্না তেন্তক্না নৈনরবদা তশেংনা এক্ট অসিগী মখাদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা লায়রবা অমত্তদি চরা হেন্দুনা শিহনফম থোক্তে অমদি নুপী অঙাংবুসু নুংশিনা ন্যুত্রিশনগী সেক্যুরিটি পীদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা লৈবাক অমা ওইনা লৈহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবা এক্ট অমদি ওইরি। মসিদা রাজনিতিগী ৱাফমদি তুংদা থল্লগা অশানবা মিৎয়েংদা তুংকোয়না অফবা তৌরম্মী হায়বদু লৈহৌনবা লৈঙাক পায়রিবা ওফিসরশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেশনশিংনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবদি চঙই।




# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## মণিপুরী শৈরেং, নোভেলদা লেপ্তুনা ক্রিটিক তৌবিরিবা শ্রীসলাম তোম্ববু থাগৎচবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**হৌজিক্কী** মতমদা মণিপুরী লোন্দা ইবা লাইরিক কয়া কয়া অইবা অইবীশিংনা নোংমা কাংদনা ফোঙনরি। ফোঙলক্লিবা লাইরিকশিংদুবু মমুৎ তানা পারগা মীয়ামগী মফমদা পাউদম্বীনবা মীশক্তি ইরৈ লৈতে। ক্রিটিক্লা অফ-ফত্ত য়েংগদৌরিবনি। ক্রিটিক য়াওদনা খোরিরোল চাওখৎপা হায়বসিমদি ওইথোক্তে।

অইবশিংনা ফোঙজরিবা লইরিকশিংদু ফোঙবা নুমিৎতুদা চা থক্লগা খরা ঙাঙ-শক্লরগা অদুম থুপচিনখি। অখঙ অহৈ ক্রিটিকশিংনা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংদা লাইরিক্তুগী মরমদা খরা ইরক্লবদি খঙনীংবা পানিংবা ফাওহল্লি। তশেংনা হায়রবদা মীয়াম্না পানিংবা হেনগৎহল্লি। তৌবগীদি ক্রিটিক তৌবা হায়বা অসি অরায়বা অমদি নত্তে। য়াম্না খঙবা হৈবা মীশক ওইদবা য়াদে। অইবনা ফোঙলক্লিবা শৈরেং ওইসনু, নোভেল ওইসনু মদুবু পারগা মীয়ামদা মরীক চুম্না পাউদম্বা অরায়বা নত্তে।

অমরোমদা শৈরেংদি পাউখোংনি। পাউখোং ফোঙববু অরায়বা হিরমলা। অদুবু শ্রীসলাম তোম্বদি পারগা অইবশিংগী পাউখোঙশিং হেক্তা ফোঙবা ঙম্মী। অইবনিবু হায়রবদি চিলহাও থিদে, এৱার্দ ফংবা ফংদবা খায়দে, অফংবা অমা হেক্তা তাপ পায়খৎতুনা পাউচে অসিগী নোংমাইজিংগী খোরিরোলগী কলমদা লেপ্তুনা ক্রিটিক তৌবিরি। ক্রিতিক্কী মথৌদি ৱারেং, শৈরেংশিংদু পারগা ময়োলদা হেক্তা শোইদৎপা অদু নত্তে, অশোই অঙাম য়েংবিরগা মতুংদা ফগৎনবা লাইজ খিক্লেন খিকপীবগুম্বা ৱা কয়া ইবিরক্লিবা অদুনি নুংঙাইরিবা। মহাক তশেংনা মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিবা মীশকনি। শ্রীতোম্বা মতম কুইনা মণিপুরী খোরিরোলগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

*অদোমগী - কে কুলবিধু*
*নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকায়*

## লাইক থিরবা মণিপুর

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ৱানা** খাঙলেদা, য়েংবদা মীৎ নারেদা, ওইহন্নিংবা নুংঙাইবা মতমদো ঙাইবদা ৱারেদা, লাইরিক হৈবদি শংবাই কয়া অমা লাইসু মেরুক অমফাও খঙবা য়াওদবা কাঙবুনা লৈবাক্কী চুপলি পায়বদি মীয়ামগী ৱাখলদা মতম লৈবা খিবিক্তা মীপাইনিঙাই ওইবা ৱাখলনা লমজিংঙি। মসি পূন্নমকসি হৈতনা অহৈ শাবা, খঙদনা অখঙ শাবা ওজা নাইরক্তবা, হোৎনবগী অৱাবদি য়াওদবা, মীনা হোৎনরগা নামা অমদি মহৈদি লুম্লগা লৌনিংবা কাঙবু ইরোইননা অৱা অনাদি মশক খঙদবা লিদরদি শানিংবা অমনা অনৌবনা অরিবা ফাওন্দর ওইনিংবা ৱাফম অসিনসু ঙসিগী ঈরাং ওইরিবনি।

পোৎ অমদি মীওইদুগী করেক্টর বাইও দাটা নৈনবা হৈতবা, হায়রিবা কাঙলুপশিং অসিনা ৱাখল্লোন অমা পুথোকপদা মখোয় খরা পুনশিল্লগা লাল্লি চুম্মী খঙদে হান্না ৱারেপ শেমদোক্লগা কোন্না মিটিং তৌরগা ৱাহৈ খরা হৌদোক্লগা ইকআ ইকআদা প্রজেন্ট সহি লৌবসু হৈনবী কোঙ্গাই য়াওরি। অসিগুম্বা চৎনবী অসিনা খুন্নাই অসিগী মীয়াম্না করম্না নুংঙাইগনি। মীওইবা ঐখোয়সি পুৱারীগী খোঙচৎ কাওরোইদবনি। হৌখিবা অমদি হৌজিক ওইরিবা লোয়ননা তুংদা ওইরক্কদবা অফ-ফত্তসু খঙদোক্কদবনি নৎত্রবদি মীয়ামসু ৱাই ইশাসু ৱাই, থবকসু প্রোগ্রেস ওইদে।

ৱাহৈ খরা অসিগী খুদমদি অৱাং লৈকিনথবী খুন্থক সেকমাই দাম টু লাইফম খুনৌ ফাওবগী মমিং থোল্লগা লৌ পরি ২০০০ রোমগী খূৎয়েক পীদুনা লমলাই পরিজাৎনা মণিপুর ষ্টেট কিষানগী সেক্রেটরি ওইরিবঁদা ইরাবোত ভাবন্দা খূৎয়েক শেমদুনা মতমদুগী গভর্ণমেন্টদা রিকোগনাইজ তৌখিবনি। মতমদু লাইওইখ্রবা পরিজাৎ এম এল এ ওইদ্রি নহা ওইরিবঁ মতমনি। অদুগা দাম মফম অসিদসু সান্তিপুর হায়বা খুল মচা অসিসু খুদাদ্রি। অসুম্না মতমগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৭৪ দা হৈঙাং কেন্দ্রদা খাবম চাওবা লমশাংদনা জুগেশ্বর মখোয় অনীনা এসেমব্লি মেম্বর ওইরকপদা দাম অসিগী মরমদা খূৎশম্ননা প্লান হৌরকপদা লাইবক থিবদি খাবম চাওবা দিল্লিদা টুর চৎপদা লাইবক থিবা থৌদোক থোকখিবদুনা দামগী ফীভম পুখৎপা ঙমখিদে।

মরম অসিনা অহানবা যাত্রাসু শোইখ্রবনি। অনীশুবদা কুমজা ১৯৮১ রোমগী অদুৱাইদা পি ঐচ শাগোরনা এসেমব্লি মেম্বর ওইরকপদা দাম অসি মথক্কী চীংয়া খ্বাইরাকপা ইরেনগী মমৈদা ৱাঙ্গোইদগী জুগিন্দ্রোদা থিকা পীদুনা শাবা হৌহনখি। দাম শাফম ওন্নখিবগা ইরোইননা শাবসু লোইখিদে। মতমগী অওনবগী মতুং ইন্না অৱাং খুনৌ মুতুম দেবেন্না কুমজা ১৯৮৬ রোমগী অদুৱাইদা এসেমব্লি মেম্বর ওইরক্তুনা দাম অসি অমুক পুখৎলকপদা শাফম ওন্নে হায়বদগী খুঞ্জা ইরাং থোকখি। মদুদা লানচাল এঞ্জিনিয়রনা লৌমীশিংদা খুরুমদুনা দেবেন য়াওনা হায়জবদগী মতমদুগী লাইওইখ্রবা অহল মীং ওইনা পঞ্জরবদা লাইশ্রম হেরা সিংহ অৱাং পোৎশংবম, খূৎনাইথেম নিংথৌ ওজা কৈকোন কুঠিগী লুচিংবা, অহুমশুবদা কৈশাম ধন সিংহ অৱাং লৈকিনথবী হায়রিবা লৌমী পুরান অহুম অসিগা লোয়ননা অয়াম্বনসু য়াবিদুনা দাম অদু লানচাল অমদি থিক্কা জুগিন্দ্রোদা অদুম শিন্নখি। মদুসু মীয়ামগী য়ারক্তা পোপ তাখি। দাম অদু হোংদ্রিবঁদা ঈশিংনা থুগাইদুনা মালং ওনখি। অহুম্লকশুবা ওইনা ব্রজবিধুনা দাম অসি ফজনা পুখৎপা মাল্লি। অদুবু পার্সেন্টেজগী য়েৎনখিবা অদুনরা কুমজা ২০১৪-১৫ দগী খূৎশাদুসু লৈবাক ৱাথোক ওইবা মওংদা খূৎকাই ওইনা মাঙখি। মরিশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী মীৎয়েং মখাদা ইমর্জেন্সি ওর্দর পীদুনা কুমজা ২০১৬ অসিদসু হোবে হোবে পায়খৎপা হৌখি। মসিসু চৎলিবা কালেন পুর্ণিমা ময়াগী নোংজু ঈচাওদুদা দামগী নোংপোক থংবা ৱাল অমদি কেনেলগী ৱাল অনী পূন্না ৱাল অহুম ঈশিংনা থুগাইরগা নোংপোক লোমদা মিটর কুনলোম অমুক পাথোকখ্রে। মসিনি অৱাং সেকমাই ইম্ফাল তুরেলগী খোংহাম্পাৎ ইরোম তাদ্রিবঁগী মরক্কী তৌবা ঙম্বা ঈশিংগী শক্তি। মাংলমচৎকী ৱাফম খরা কিষান মোর্চানা লোকেল্লিটি অমা ওইনা পুথোকচবদি তুরেল অসিগী করেক্টর চাওরাকপা খরা থমজবনি, শাফমদি মহৌশানা পীবা টুরিষ্টকীদমক্তদি ফোম তাবা মফমনি।

অরোইবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কিষান মোর্চাগী মাইকৈদগী থমজনিংবদি স্পিসিয়েল ইঞ্জিনিয়ারনা দামগী দ্রোয়িং পুথোকপদা নত্তনা করম্না লৌমীগী লৌফমদা ঈশিং য়ৌবা ঙমগদগে খন্থবা ঙম্বা এঞ্জিনিয়র মথৌ তাই। মথংদা স্পিসিয়েল থিকাদার মীংচৎ পাম্বা কৎথোকপসু ঙম্বা অমদি মফম মতম ভোগেলিক ওবোসথা য়েংবা হৈবা ইরোইননা ৱার ফুট্রিংগী থবক খূৎশু শীজিন্নবা ঙম্বা ওইগদবনি নৎত্রবদি শেম্ল-শেম্লগা য়োং মাল্লি হায়বদু তাদুনা তোক্কনি। মরু ওইবা ৱাফমদি কোইরেঙ্গৈ অৱাংগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা অথুবা মতমদা পুনবিদুনা ইথৈ ইকোক লোমদা ৱাখল থাদবিয়ু। মতম লৈত্রে হায়না লৌমী মীয়ামদা নীংশিংজরি। হৌজিক মতমগী লৈঙাক্কী থবক্তি অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না নীংবগা মখোয়না তৌথোরকপগা মান্নদে হায়জনীংই।

*অদোমগী - সি ঐচ নিত্যাই সিংহ*
*প্রসিদেন্ট, বি জে পি কিষান মোর্চা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট*